## ব্লদ দোনেসন কেম্প পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৫ (ঐচ এন এস): লাইফ সেভরস মণিপুর অমদি ষ্টেট ব্লদ সেল, এন ঐচ এম অমসুং ব্লদ বেঙ্ক এন্দ ট্রান্সফ্যুজন য়ুনিট জেনিমসকা খূৎশম্নরগা ঙসি অয়ূক পুং ১০দগী নুংথিল পুং ১ ফাওবা খুরাই থরোইজম লৈকায়দা লৈবা উত্তরায়ন থিএটরদা ভলন্টরি ব্লদ দোনেসন কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে। কেম্প অদুদা নুপা অমদি নুপী কয়ানা শরুক য়াখি। লোয়ননা ভলন্টরি ব্লদ দোনর ওইখিবা ওর্গেনাইজেসন, লন্নাই মীওই অমসুং এসোসিএসনবু উত্তরায়ন থিএটর খুরাই থরোইজম লৈকায় অমদি লাইফ সেভরস মণিপুরনা থাগৎপা অমদি তৌবীমল খঙবা উৎচরি হায়না লাইফ সেভরস মণিপুরগী মেনেজিং দিরেক্টর কে পদ্মকুমারনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

## আর্টিকল কৌরি

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৫ (ঐচ এন এস): মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট ব্রাঞ্চ বিষ্ণুপুরগী চহীগী ফোঙবা চেফোং ঈশিং চাইবি ২০১৮ ফোঙনবগীদমক খোর্জৈরোয়শিংদগী অতেনবা ৱারেং, শৈরেং, ৱারীমচা, লমকোয় ৱারী অমদি ফুঙ্গা ৱারীনচিংবা কৌরি হায়না বিষ্ণুপুর সাহিত্য পরিষদ বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট ব্রাঞ্চকী জেনরেল সেক্রেটরি লৈশাংথেম নিমাইনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি। খোর্জৈরোয়শিংনা থা অসিগী ৩০ ফাওবগী মনুংদা ঈশিং চাইবীগী এডিটর নৎত্রগা জেনরেল সেক্রেটরিদা আর্টিকলশিং য়ৌহনবীরকউ হায়না মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## সী পি আইগী ঈহৌ খোঙচৎ চথরি

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৫ (ঐচ এন এস): কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিলনা শীন্দুনা চৎলিবা ঈহৌ খোঙচৎকী মঙানি চনবদা লংথবাল এসেম্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী খুল কয়া ফাওদুনা ষ্ট্রিট কোর্নর মিটিং অমদি মীয়ামগা উনবগী থৌরমশিং মায় পাক্না চথখ্রে হায়রি।

সী পি আই মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিলগী সেক্রেটরি এন জয়কুমারনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, খোঙচৎ অদুদা সী পি আইগী সেক্রেটরিএট মেম্বর নোংথোম্বম সিংহজিৎ অমদি ষ্টেট এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি কে এস ঐচ সুরচান্দনা লুচিংখি। ককৱাদগী হৌখিবা খোঙচৎ অদুনা লৈরক কোন্সাংশিং ফাওরগা লংথবাল, কাঞ্চিপুর, চজিং, হাওরৈবি অমদি অতোপ্পা খুলশিং ফাওদুনা মীয়াম তিনবা মফমশিংদা পব্লিক স্পিচ পীবগী থৌরম পাঙথোকখি।

খোঙচৎ অদুগা মরী লৈননা ৱা ঙাঙখিবা এল সোটিনকুমারনা হায়খি, নেসনল ফুদ সেক্যুরিটি এক্টকী চেঙ ফংদনা থা কয়া হৌখ্রে। মদুনা মরম ওইদুনা কৈথেলদা চেঙগী মমল তাঙখৎখ্রে। নেসনল ফুদ সেক্যুরিটি এক্টনা হিংজরম্বা লায়রবশিং অৱাবা মায়োক্লরে। ঙরাংসু কুম্বীদগী হৌখিবা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী খোঙচৎ অমনা মোইরাং, নিংথৌখোং, বিষ্ণুপুর, ওইনাম অমসুং নম্বোল কৈথেলদা পব্লিক স্পিচ পীখি। খোঙচৎ অদুদা ডা. নরা, কে বিমোলনচিংবনা শরুক য়াখি। লোয়ননা কোন্থৌজম এসেম্লি কন্সটিট্যুএন্সিনা কোনবা খুল ২০ লোম ফাওদুনা ষ্ট্রিট কোর্নর মোটোর রেল্লি অমসু চৎখি হায়রি।

## তরাম্না ওক্লি

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৫ (ঐচ এন এস): মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা মহৌশাগী ফীভমদা হঞ্জিল্লকপগা লোয়ননা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা এপোইন্ট তৌখিবা এদমিনিষ্ট্রেটরনা অকনবা মওংদা চেকশিন থৌরাং লৌবগা লোয়ননা সেক্সন খুদিংমক য়েংশিন্দুনা অফবা য়ুনিভর্সিটি অমা ওইনবা হোৎনরকপা অসিমক মণিপুর য়ুনিভর্সিটি কেজুএল, কন্ট্রেক্ট, এনগেষ্ট ষ্টাফ এসোসিএসন্না তরাম্না ওক্লি হায়না ফোঙদোরক্লি।

মণিপুর য়ুনিভর্সিটি কেজুএল, কন্ট্রেক্ট, এনগেষ্ট ষ্টাফ এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট এন রাজেন্দ্রনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, এসোসিএসন অসিগী মেম্বর খুদিংমক্না সু মতম চানা লাক্লবা খঙহল্লক্লবা অমসুং এদমিনিষ্ট্রেটরগী থবক থৌরম খুদিংমক শৌগৎপীনবা ৱাফম ফোঙদোরক্লি। এসোসিএসন অসিগী জেনরেল বোদি মীফম অমা থা অসিগী ৮গী নুমিৎয়ুংবা মতুং পুঙ্খায় চৎপদা এসোসিএসন অসিগী ওফিসতা পাঙথোক্কনি। মীফম অসিদা মেম্বর খুদিংমক্না শরুক য়ারনবা অমদি মীফমদা শরুক য়ারদবশিংগী ৱাকৎ এসোসিএন্না লূম্না লৌরোই হায়না ফোঙদোরক্লি।

## এগজাম হায়দোক্লে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৫ (ঐচ এন এস): মণিপুরী য়ুনিভর্সিটিনা লৌবা বি এস সী ৪শুবা সেমিষ্টর এগজামিনেসন ২০১৮ (মে) গী রিজল্ট ঙসি লাউথোক্লে হায়না এম য়ুগী কন্ট্রোল্লর ওফ এগজামিনেসন ইন চার্জ অঙোম নরায়ন্না থোকপা চেরোল অমনা হায়রি। এগজামিনেসন অসিগী রিজল্ট য়ুনিভর্সিটি অসিদগী য়েংবা য়াগনি হায়রি।

## 'এন ঐচ ৩৭কী ফীভম য়েংশিনবীদুনা শেমজিনবীয়ু'

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৫ (ঐচ এন এস): রোংমৈ মহৈরোয় অমসুং নহাশিংগী সিভিল সোসাইটি ওর্গেনাইজেসনশিংনা নেসনল হায়ৱে ৩৭ অমসুং খোংশাং তমেংলোং লম্বীগী ফীভম য়েংশিল্লুরবা মতুংদা লৈরল্লিবা লম্বীগী ফীভম অদুদা পেন্দবা ফোঙদোরক্লি।

রোংমৈ নাগা য়ুথ ওর্গেনাইজেসন (আর এন ৱাই ও এম) মণিপুরগী প্রসিদেন্ট নিকোলস গোলমৈ অমসুং রোংমৈ ষ্টুদেন্টস ওর্গেনাইজেসন মণিপুর (আর এস ও এম) গী জেনরেল সেক্রেটরি জিনথুই পানমৈনা পূন্না খূৎয়েকপীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, নেসনল হায়ৱে ৩৭কী কিলোমিটর ২২০ শাংবা শরুক অসি বি আর ওনা পায়রম্বদগী লৌথোক্লবা মতুংদা নেসনল হায়ৱে ইনফ্রাষ্ট্রকচর দিভলপমেন্ট কোর্পোরেসন লিমিটেদ (এন ঐচ আই দি সী এল) দা মিনিষ্ট্রি ওফ রোদ ট্রান্সপোর্ট এন্দ হায়ৱেজনা শীন্নদুনা চহী অনীগী মনুংদা হায়রিবা প্রোজেক্ট অসি লোইশিন্নবা পান্দম থমখিবনি।

এন ঐচ আই দি সী এলনা মরুওইবা ৱর্ক এজেন্সি ওইদুনা ঐচ ভি এস প্রাইভেট লিমিটেদ, এন ঈ ঈ দি ঐচ আই ক্রিএটিভ প্রাইভেট লিমিটেদ, বি আই পি এল অমসুং এল দি এস কন্সট্রক্সন প্রাইভেট লিমিটেদ কম্পেনিশিংদা শীন্নখিবনি অমদি কুমজা ২০১৯ ফাওবগী মনুংদা মেপে টনেন্স পেরদ ওইনা থবক শূহনখিবনি।

মিনিষ্ট্রি ওফ রোদ ট্রান্সপোর্ট এন্দ হায়ৱেজ অমসুং ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা মপুং ফাবা কলভর্ট সিষ্টেমসু থম্বা ঙমদবদগী এন ঐচ ৩৭ অসি এক্সিদেন্ট থোক্কনবা জোন অমা ওইরক্লে। মরম অসিনা নেসনল হায়ৱে অসিদা খুন্দারিবা মীয়ামগী সেফটি পোলিসি অমত্তা লৈত্রে হায়রি।

মরুওইনা রোংমৈ ষ্টুদেন্টস অমসুং রোংমৈ নাগা য়ুথ ওর্গেনাইজেসন্না লম্বী অসিদা গাড়ী থৌরিবশিং অসি য়েংশিল্লুবা মতমদা এক্সিদেন্ট থোক্লিবা অসিগী মরুওইবা মরমশিংদি য়ু থক্লগা গাড়ী থৌবা, টেক্নিকেলগী ওইবা নৎত্রগা লম্বীগী ফীভম ফত্তবননি হায়না থিজিনবদগী খঙবা ঙম্লে হায়রি। মরম অদুনা রোংমৈ সিভিল ওর্গেনাইজেসনশিংনা হীরম অসিদা ট্রক দ্রাইভর কাউন্সিলশিং অমসুং এসোসিএসনশিংনা মতেং পাংবীদুনা নেসনল হায়ৱে অসিগী সেফটি গাইদ লাইনশিং ইনবীনবা আপিল তৌরকপগা লোয়ননা পুংদা কিলোমিটর ৪০গী মখাদা গাড়ী থৌবীনবা ৱাফমসু ফোঙদোরক্লি।

অমরোমদা, নোর্থ ইষ্ট ফ্রন্টিয়র রেলৱেনা রেলৱে প্রোজেক্ট কম্পেনিগী মখাদা নেসনল হায়ৱে মনাক্তা লৈবাক, লৈখোম, নূংজাওনচিংবা লৌথোকপনা তমেংলোং অমসুং নোনে দিষ্ট্রিক্টতা লৈরিবা মরুওইবা তুরেলশিংদা পোল্যুসন থোকহনবনা মরম ওইদুনা মফম অসিদা খুন্দারিবা মীওইশিংদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লহল্লে।

তনেলদগী কোৎথোরকপা লৈবাকনচিংবা মওং মরীল তাদনা লম্বীগী নাকলদা পৈশিনবা অসিনসু মীয়ামগী হকশেলগী ফীভমদা ফৎহন্দ্রে হায়না ফোঙদোরক্লি। হীরম অসিগী মতাংদা মরী লৈনবশিংনা রোংমৈ মীয়ামগী য়েংবীদুনা থবক পায়খৎপীরক্তুবদি রোংমৈগী মহৈরোয় অমসুং নহা ওইরিবা মীওইশিংগী বোদিশিংনা অকনবা খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়বা ৱাফম ফোঙদোরক্লি।

## য়ুনাইটেদ পিপলস ফ্রন্টতা তেংবাঙবীখিবা পূম্নমকপু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৫ (ঐচ এন এস): ইমা লৈপাক মণিপুরগী মীপূম খুদিংমক মশা মউ ফবা তিঞ্জং কায়জংদবা মীওই অমমম ওইনবগী পান্দমদা কুমজা ২০০৭তগী হৌদুনা লেপ্তুনা পাঙথোক্তুনা লাকপা ১২শুবা মেগা মরাথোন মণিপুর থা অসিগী ৪দা মায় পাক্না পাঙথোকপদা মতেং পাংবীরকপা পূম্নমকপু য়ুনাইটেদ পিপলস ফ্রন্ট (য়ু পি এফ) মণিপুরনা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

য়ু পি এফ মণিপুরগী সেক্রেটরি পব্লিসিটি অসোন কোইরেংনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, মেগা মরাথোন মণিপুর ২০১৮ অসিবু মপূং ফানা পাঙথোক্লবা হোৎনবদা মরুওইবা থৌদাং লৌবীখিবা প্রাইজ দোনরশিং, শেলগী মতেং পাংবীরকপশিং, এথলেট সার্ট পাংবিরকপা জিও নেটৱার্কিং এন্দ টাইম ওফ মণিপুর, ভোলুন্টিয়র সার্ট মতেং পাংবীরকপা এম এ সী এস, য়ুনাইটেদ ইন্টরপ্রাইজেস এন্দ এন প্রিয়োবর্ত্ত চীংমৈরোং, ইম্ফাল ভেল্লি স্কুল শঙাকফম, মিদিয়া কম্মিটিগী ট্রেক্ট সুটকী মতেং পাংবিখিবা এভিয়ান হাওস কৈশাম্পাৎ, টেক্নিকেলগী অচৌবা থৌদাং লৌবীরিবা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা শান্নবগী মীহুৎশিং, এথলেটশিংবু অশোক অপন থোকপদা মতেং পাংবীরিবা গভর্ণমেন্ট অমদি লন্নাই হোস্পিটালশিং, ইন্দিয়ন রেদ ক্রোস সোসাইটি, লন্নাই নর্সিং ইন্সটিট্যুটশিং, ফিল্ড অমসুং ষ্টেজগী অচৌবা মতেং পাংবীরকখিবা অরুন ইন্টরপ্রাইজেসন চীংমৈরোং, মরাথোন অসিবু মীয়ামদা খঙহন তাহনবদা অচৌবা থৌদাং লৌবীরিবা আই এস টি ভি, ইম্পেকট টি ভি, হোর্দিংগী অচৌবা থৌদাং লৌবিরিবা পি কে এভর্টাইজিং, দিনা, নরায়ন, বেল হোর্দিং, মরাথোন অসিবু শোয়দা ঙামদনবা হোৎনবদা রুটতা লৈবিরিবা তোঙান তোঙানবা ক্লবশিংগী মীওইশিং, মৈরা লূপশিংগী ইমাশিং, মণিপুর পুলিস অমদি ট্রাফিক্কী মীওইশিং, মেগা মরথোন অসিবু মপূং ফানবা হোৎনবদা মফমগী অয়াবা পীবিখিবা য়ুথ এফেয়রস এন্দ স্পোর্টস দিপার্টমেন্ট, ভেহিকলগী মতেং পাংবিখিবা ট্রান্সপোর্ট এসোসিএসনশিং, মরাথোন অসিগী লমজেল্লোয়শিং, থৌরম অসিবু মীয়ামদা য়ৌহনবিখিবা মপান অমসুং মণিপুরগী ইলেক্ট্রোনিক অমসুং প্রিন্ট মিদিয়াগী মীওইশিং লোয়ননা মেগা মরাথোন অসিবু ৱাখলগী অমদি পাঙ্গলগী মতেং পাংবিখিবা পূম্নমকপু য়ু পি এফ মণিপুরগী মায়কৈদগী তৌবীমল খঙবা উৎপগা লোয়ননা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

## জুগেশ্বর মীহাৎতা চেন্নবা মীওইশিংগী লংলা লংজিন পুথোকপদা পীগদবা এৱার্দকী মতম শাংদোক্লে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৫ (ঐচ এন এস): মণিপুরী ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন (এম এস এফ) কী ভাইস প্রসিদেন্ট ওইরিবা নিংথৌজম জুগেশ্বরগী মীহাৎতা চেন্নবা গাড়ী অমদি মীওইশিংগী লংলা লংজিন পুথোকপদা পীগদবা এৱার্দ অদু নবেম্বর ৩০ ফাওবা শাংদোক্লে হায়না জে এ সী এগেনষ্ট দি কিল্লিং ওফ নিংথৌজম জুগেশ্বরগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

মণিপুরী ষ্টুদেন্টস ফেদরেসনগী ভাইস প্রসিদেন্ট ওইরম্বা নিংথৌজম জুগেশ্বরগী মীহাৎতা চেন্নবা গাড়ী অমদি হকথেংননা অমসুং নাকোয়ননা চেন্নবা মীওইশিংগী লংলা লংজিন পুথোকপা ঙম্বা মীওইশিংদা খুরাই এ সীগী এম এল এ এল সুসিন্দ্রো (য়াইম) না লুপা লাক্ষ ১.৫০ অমসুং মণিপুর পুলিস দিপার্টমেন্টনা লুপা লিশীং ৫০ পূন্না লুপা লাক্ষ ২ পীগনি হায়না মণিপুরগী পাউচেশিং অমদি ইলেক্ট্রোনিক মিদিয়াদা লাউথোকখ্রবসু হৌজিক ফাওবদা কনা অমত্তনা পাউ পীরকপা অমদি করিগুম্বা অমত্তা খঙহল্লকপা লৈতবনা মখা তানা রিৱার্দ অসি লৌবা য়াবগী মতম চৎলিবা নবেম্বর ৩০ ফাওবা শাংদোক্লে হায়রি।

মরম অদুনা কনাগুম্বা থৌদোক অসিগী মতাংদা খঙহৌবা মীওইশিংনা ফোন নম্বর ৭০০৫১১৩৪২০ নৎত্রগা ৮৯৭৪৩৭৮৪৩৯ দা পাউ পীবিরক্তুনা মী হাৎলগা লৌৎতুনা লৈরবা মরাল লৈরবা মীওইশিং অসিবু ফাদুনা লোগী ওইবা চৈরাক ফংহনবদা মীয়াম্না মতেং পাংবীয়ু হায়না ফোঙদোরক্লি। পীরিবা মতম অসিগী মনুংদা লংলা লংজিন খঙবা ঙমদ্রবদি মীহাৎ অসিগীদমক্তা শেমখিবা জে এ সী অসি মখা তাবা অনৌবা কম্মিটি অমা শেমদ্রিফাওবা দিজোল্ব তৌরগনি হায়রি।

## 'লৈঙাক্লা চাওখৎ-থৌরাংগী থবকশিং য়েংশিনবীয়ু'

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৫ (ঐচ এন এস): লৈবাক অসিগী লো শেল্লিবা অমদি লোবু ঙাক শেল্লিবা মরী লৈনবশিংনা লো থুগাইরকপদা লৈঙাক অসিনা তুমিন্না য়েংদুনা লৈবা মতম নৎত্রে হায়না মরাল শিবা ৱারোল মণিপুর প্রদেশ তৃণমুল কোংগ্রেস কম্মিটিনা ফোঙদোরক্লি।

মণিপুর প্রদেশ তৃণমুল কোংগ্রেস কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট ডা. টি ঐচ ইনাওচানা থোকপা চেরোল অমনা হায়, চীং অমসুং তমদা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগী মখাদা লৈরিবা লো এনফোর্সিং এজেন্সিশিংনা লোগী ৱাংমদা থবক তৌরকপা খুদিংমক থিংনবা থৌরাং লৈঙাক্লা থবক ওইনা পায়খৎনবা ৱাফমসু তকশিল্লক্লি।

দি সীশিংগী মখাদা থবক তৌরিবা এস দি সীশিং লোগী মরক্তা মমুৎ তানা খঙলবা মীওই নৎত্রগা এম পি এস সীগী খূথাংদা চঙলকপা খঙ হৈরবা মীওইশিংগী মরক্তা থম্বা তঙাইফদ্রে হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

মীয়ামগা হকথেংননা থবক তৌরিবা এস দি সীশিংগী ষ্টাফশিংনা মরম চাদনা মীচম মীয়ামদগী শেনফম কয়া লৌদুনা মীয়ামদা অৱাবা কয়া মায়োক্লহল্লে হায়না মরাল শিরক্লি।

মীয়াম্না মথৌ তাবা মরী লৈনবা চেচাংশিং ওইরিবা ইনকম সার্টিফিকেট, দোমিসাইল সার্টিফিকেট, লেন্দ ভেল্যুএসন সার্টিফিকেট, ও বি সী সার্টিফিকেট, জমাবন্দি কোপি, নন ইনকম্বরেন্স সার্টিফিকেট, লেন্দ ওনরসিপ সার্টিফিকেট অমসুং রেসিদেন্সিএল সার্টিফিকেটনচিংবা লৌবদা অপিকপা শেনফমদগী হৌরগা অচৌবা শেনফম কয়া লৌরে হায়না মরাল শিরক্লি।

অদুগুম্বা শেনফম কয়া অদু ষ্টেট গভর্ণমেন্টতা ইনকম ওইনা কাব্রা হায়বা ৱাফমসু হংলকপগা লোয়ননা শেল পীরগনা থৱায় য়াওনা হোৎনবীবা, পীদ্রগনা ফজনা তৌবিদবা কয়াসু থেংনরে হায়না ফোঙদোরক্লি।

হীরম অসিদা লৈঙাক্লা য়েংদুনা লৈবা মতম নৎত্রে। মরম অসিনা এস দি সী/এস দি ওশিংনা মশাগী য়ূম ইঙ্খোল লৈবা মীওইশিংদা লৈঙাক্কী লম পীবা য়াদে হায়বা ৱাফম লৈরগসু লমশাং সব দিভিজনগী মনুং চনবা মীয়ামগী প্লে গ্রাউন্দ ওইনা লৈরম্বা মফম কয়া লন্নাই মীওইশিংদা পীরব্রা হায়বগী চিংনবা লৈরে হায়নসু ফোঙদোরক্লি। হীরম অসিদা লৈঙাক্লা য়েংশিনবীনবা ৱাফমসু ফোঙদোরক্লি।

নাকল অমরোমদা খুঙ্গং চাওখৎনবগী গ্রাম পঞ্চায়টকী খূথাংদা থাদরকপা শেনফম কয়া পরম চুম্না শীজিন্নদবগী মমি তারে হায়নসু মরাল শিরক্লি।

জোব কার্দ হোলদরশিংনা শূগদবা থবক কয়া এক্সাভেটর, ট্রেক্টর শীজিন্নরম্বসু থেংনরে। মরম অসিনা লৈঙাক্লা চাওখৎ থৌরাংগী থাদরকপা শেনফম খুদিংমক পরম চুম্না শীজিন্নদুনা থবক থৌরম কয়াদা খুমাঙ চাওশিন্নবা য়েংশিনবীয়ু হায়নসু পার্টি অসিনা আপিল তৌরক্লি।

## নেপালি লোলদা *য়ুটা পিষ্টোল য়ুটা কুন্দা পুস্পা* অমসুং *মেরো লোক্তাক* হায়না মীংথোনবা লাইরিক ২ ফোঙখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৫ (ঐচ এন এস): নেপালি সাহিত্য পরিষদ মণিপুরনা ফোঙবা ভৱানি অধিকারিগী নেপালি লোলদা ইবা লাইরিক অনী *য়ুটা পিষ্টোল য়ুটা কুন্দা পুস্পা* অমসুং *মেরো লোক্তাক* থা অসিগী ৪দা চার হজার কম্যুনিতি হোলদা ফোঙখ্রে।

নেপালি সাহিত্য পরিষদ মণিপুরগী ভাইস প্রসিদেন্ট ভোলানাথনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, *য়ুটা পিষ্টোল য়ুটা কুন্দা পুস্পা* হায়না মীংথোনবা ৱারীমচাগী লাইরিক অসি মণিপুরীদা এলাংবম দিনমনিনা পিষ্টোল অমা কুন্দা লৈ অমা হায়না মীংথোন্দুনা কুমজা ১৯৮৯দা ইহান হান্না ফোঙখি। মতুংদা ন্যু দেল্লিগী সাহিত্য একাদেমিদা কুমজা ১৯৮২দা সাহিত্য একাদেমি এৱার্দ পীরকখিবনি।

*মেরো লোক্তাক* হায়না মীংথোনবা লাইরিক অসিনা শৈরেংগী লাইরিকনি। শৈরেং লাইরিক অসিগী অইবা ভৱানি অধিকারি কুমজা ২০০৯দা মহাক্না ইবা মণিপুরী শৈরেংগী খোমজিনবা লাইরিক কোরৌগী মশেক মঙাল হায়না মীংথোনবা অদুদা পদ্মা দেবী প্রাইজ ফংখ্রে। লাইরিক অসি কুমজা ২০০৩দা ফোঙখিবনি।

লাইরিক ফোঙবগী থৌরম অদুদা ডা. ঐচ কে সেওকোটিনা তরাম্না ওকপগী ৱারোল পীখিবগা লোয়ননা নেপালি সাহিত্য পরিষদকী সেক্রেটরি ক্রিটিমানি কাটিৱাদানা *মেরো লোক্তাক* হায়বা লাইরিক অসিগী মশক তাকখি। কুমজা ১৯৮৩দা লীংখৎখিবা ষ্টেট লেভেল লিটরেরি ওর্গেনাইজেসন অমা ওইরিবা নেপালি সাহিত্য পরিষদ মণিপুরনা হৌজিক ফাওবদা লাইরিক ২৫ ফোঙখ্রে। লোয়ননা কোসেম, বোমেস অমদি এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্ট মণিপুরনা হায়রকপদগী নেপালিশিংনা তম্নবা ক্লাস ৱান্দগী টুয়েল্ব ফাওবগী টেক্সবুকসু শেম শাবগী থৌদাং লৌখি।

দিপক পন্থানা *য়ুটা পিষ্টোল য়ুটা কুন্দা পুস্পা* হায়বা লাইরিক অদুগী মরমদা ৱা ঙাঙখি। থৌরম অদুদা নোংমাইথেম কিরনকুমার ওর্গেনাইজর মণিপুর লেঙ্গোইজ কন্সলটেসন কম্মিটি সাহিত্য একাদেমি দেল্লি, অদিম পামৈ ভাইস চ্যেরমেন দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট, গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুর সাগর ঘেৱালি এম দি সী, দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিল কাংপোকপী, এল বি বসনেট প্রসিদেন্ট নেপালি সাহিত্য পরিষদ মণিপুরনা মথংশিংনা চিফ গেষ্ট, গেষ্ট ওফ ওনরশিং অমদি প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগী অনীশুবা সেক্সন্দা মল্টি লেঙ্গুএল পোইট মীট অমসু বিরেন্দ্রজিৎ নাওরেম্না প্রিসাইদ তৌদুনা পাঙথোকখি। মদুদা নেপালি অমসুং মণিপুরী শৈরেং কয়া তোঙান তোঙানবা অইবশিংনা পাথোকখি হায়রি।

## *ইমা চেঙহীগা শকখঙনবা* থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৫ (ঐচ এন এস): সঙাইপ্রৌ এফ সী আই গুদাউন রোদতা লৈবা হোলিষ্টিক ইন্টরপ্রাইজনা মণিপুরগী ৱাংমদা লৈরিবা মীতৈশিংদা পাক শন্না চেঙহী ফংহন্নবগী পান্দমদা থা অসিগী ১দা অসাম মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ হোজাই দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগা খূৎশম্নদুনা ইমা *চেঙহীগা শকখঙনবা* হায়বা থৌরম অমা হোজাইগী ন্যু মার্কেটতা লৈবা পরিষদ অসিগী শঙলেন্দা পাঙথোকখ্রে হায়রি।

থৌরম অদুদা সনসম বিরেন্দ্র প্রদ্যুসর ইমা চেঙহীনা ইবা *খূৎহৈবা লক্তগী* হায়না মীংথোনবা লাইরিক অনীসু পরিষদ অসিগী লাইব্রেরিদা খুদোল তমখি। থৌরম অদুদা ডা. করাম ইবুংঙোহল প্রসিদেন্ট অসাম মণিপুরী সাহিত্য পরিষদনা চীফ গেষ্ট, অসেম শ্যামকিশ্বর প্রসিদেন্ট অসাম মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ হোজাই দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিনা প্রসিদেন্ট অমদি সনসম বিরেন্দ্রনা গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি হায়রি। ইমা চেঙহীনা তাম্না লৈহৌরবা মণিপুরগী মতৈশিংগা মণিপুরগী মপান্দা খুন্দারিবা মীতৈশিংগী মরক্তা তৎনা থানবা য়াদ্রবা মরী অমা নৌহৌননা শাগৎলগনি হায়না থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা ফোঙদোক্লখি।

## মণিপুরী সাহিত্য পরিষদনা অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৫ (ঐচ এন এস): মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ ইম্ফালনা শ্রীমদ্ পরমহংস স্বামী যোগেন্দ্রা নন্দ গিরি নীংশিং শেলগী মনা পীদুনা ইকায়খুম্নখ্রবা ৱাংখৈ পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা পন্দিট রাজকুমার ধনিস্না অমসুং সঙ্গিৎ ভুষন উপাধি পীদুনা ইকায়খুম্নখ্রবী সঙ্কীর্ত্তন শৈশকপী থৌদাম নিঙোল য়াংলেম ওংবী মঙ্গিনা তৌবুল মখা লৈকায়দা লৈবা মশাগী য়ুমদা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

মণিপুরী সাহিত্য পরিষদকী প্রসিদেন্ট কাংজম ইবোহলনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, কুমজা ২০১২দা পাঙথোকখিবা ২২শুবা চহীগী মীফমদা শ্রীমদ্ পরমহংস স্বামী যোগেন্দ্রা নন্দ গিরি নীংশিং শেলগী মনা পীদুনা ইকায়খুম্নখ্রবা মণিপুরী জগোয়গী শক্লাইরবা পন্দিট রাজকুমার ধনিস্নানা থা অসিগী ৩দা ৱাংখৈ পেলেস কম্পাউন্দদা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

রাজকুমার ধনিস্না কুমজা ১৯২৩গী এপ্রিল থাদা থাংমৈবন্দ লৌরুংপুরেল লৈকায়দা পোকখি। মহাক শক্লাইরবা গুরু রাজকুমার সুর্জবোরোস্নাগী মচানুপানি। কুমজা ১৯৫৩দা কাসি বিদ্যাপিটতগী শাস্ত্রি উপাধি ফংখি। চহী অসিমক্তদা কবি রাজকুমার সুরেন্দ্রজিৎকা লোয়ননা প্রিন্স কলা মন্দির লীংখৎতুনা পৃথিবী কদোমদা হায়না মীংথোনবা কবি অসিনা ইবা দান্স দ্রামা অমা পুথোকখি। কুমজা ১৯৫৭তা মণিপুর জগোয়দা রিছার্স স্কোলরসিপ পীদুনা গুরু অমুবীগী লমজিং মখাদা রিছার্স তৌখি। কুমজা ১৯৬০দা দেল্লিগী ত্রিবেনি কলা শঙ্গমদা চঙখি। কুমজা ১৯৭৭তা দিল্লি পব্লিক স্কুলদা জগোয়গী ওজা ওইখি।

থা অসিগী ৫দা পরিষদকী ওদিটোরিয়মদা পরিষদ অসিগী প্রসিদেন্ট কাংজম ইবোহলনা প্রিসাইদ তৌদুনা অৱাবা ফোঙদোকপগী মীফম অমা পাঙথোক্তুনা মিনট ২ তুমিন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে হায়রি।

মীফম অদুদা পরিষদ অসিগী চহী অসিগী পাঙথোকখিবা মীফমদা সঙ্গিৎ ভুষন উপাধি পীদুনা ইকায়খুম্নখ্রবী সঙ্কীর্ত্তনগী শৈশকপী থৌদাম ওংবী য়াংলেম নিংঙোল মঙ্গিনা হৌখিবা সেপ্টেম্বর ৩০দা লৈখিদবদা মেম্বরশিংনা মিনট ২ তুমিন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে হায়রি।

নীংশিংবা য়াবদি য়াংলেম মঙ্গি ওল ইন্দিয়া রেদিওগী আর্টিষ্টনি। লোয়ননা খূবাক ঈশৈদা সনখ্যা খেদাম্নানা পীবা মেদলনচিংবা ফংখ্রে হায়নসু মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## লৌশাল লৌবীগনু

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৫ (ঐচ এন এস): ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা লমশাং ৱার্দনম্বর ৱান্না কোনবা মফমশিংদা লৌ উরিবা লৌমীশিংগী লৌফমশিং কুমগী নোং চুদবনা মরম ওইরগা ফৌ শাৎপা ঙমদবদগী খম থেংনা অৱাবা মায়োক্লরে হায়না এদ্যুকেটেদ য়ঙ পাইওনরস ক্লব লমশাংনা ফোঙদোরক্লি। এদ্যুকেটেদ য়ঙ পাইওনরস ক্লব লমশাং মখা লৈকায়গী সেক্রেটরি এন বানিতোন্না থোকপা চেরোল অমনা হায়, নোং মতম চানা তাদবা অমদি ঈথৈ লৌখোং মতিক চাদবনা মরম ওইরগা লৌমীশিং অৱাবা মায়োক্লরিবা অসিগী য়েংলগা লৌকোল অসিগী লৌপুশিংনা হন্দক চহী অসিগীদি লৌশাল লৌখৎপীদনবা, করিগুম্বা লৌবীবা তারবসু হান্না লৌনবা লৌশালগী চাংদগী তঙ্খাই অমা হন্থনা লৌবীনবা ৱাফম ফোঙদোরক্লি। অমরোমদা অৱাবা তারবা লৌমীশিংগী য়েংবীদুনা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্ট, ওর্গেনাইজেসন-শিংনসু মীৎয়েং চঙবীয়ু হায়না ফোঙদোরক্লি।

**THE IMPHAL URBAN CO-OPERATIVE BANK LTD.**
**ADMINISTRATIVE OFFICE, M.G. AVENUE, IMPHAL**

**NOTICE**

Imphal, the 3rd November, 2018

No.IUCB/23(a)//2018-2019 : Notice is hereby given to all the Delegates of the Bank for the term 2017-2018 to 2021- 2022 that a Representative General Body Meeting of the Bank will be held on Sunday, the 2nd December 2018 at 10.30 a.m. at the Administrative Office of the Bank to elect 12(twelve) Directors including President and Vice-President as per Clause No. 22(iv) read with Clause No. 31(ix) of the By-laws and Rules for Election of Delegates and Directors of the Bank as per programme noted below:-

1. Issue of Nomination Papers - 5-11-2018 to 12-11-2018
2. Submission of Nomination Papers - 13-11-2018 to 16-11-2018
3. Scrutiny of Nomination Papers - 17-11-2018 to 19-11-2018
4. Withdrawal of Nomination Papers, if any (during office hours) - 21-11-2018
5. Publication of Final List of candidates - 23 -11-2018

Notice is also given to all Delegates of the Bank for their kind information and submission of Nomination Papers if any of them is found eligible and willing to contest in the election.

By Order of the Administrator.

Sd/- N. Uma Devi
Dy. General Manager

HL-P/5635/4,5&6

## ৫৪শুবা বি এস এফনা মোদেল হায় স্কুল ককচীংদা নৌনা শাবা সাইকল সেদ শীন্নখ্রে



ইম্ফাল, নবেম্বর ০৫ (ঐচ এন এস): কোইরেঙ্গৈগী বি এস এফ সেক্তর হেদ ক্বার্টরগী মীৎয়েং মখাদা ৫৪ বট্টালিয়ন বি এস এফনা মোদেল হায় স্কুল ককচীংদা নৌনা শাবা সাইকল সেদ অমা স্কুল মেনেজিং কম্মিটি, ওজাশিং অমসুং মহৈরোয়শিংদা ঙসি শিন্নখ্রে।

লৈখিদ্রবা কন্সটেবল কোইচুং অথাং আইমোলবু নীংশিংদুনা সিভিক এক্সন প্রোগ্রামগী মখাদা শাখিবা সাইকল সেদ অদু লৈখিদ্রবা মার্টর কোইচুং অথাং আইমোলগী লোইনবী রিংনু আইমোলনা শঙ্গাখি।

নীংশিংবা য়াবদি, লৈখিদ্রবা কোইচুং অথাং আইমোল কুমজা ২০০২দা বি এস এফতা জোইন তৌখি অমসুং জম্মু অমসুং কাশ্মীর, রাজস্থান অমসুং ছটিশঘরগী এ এন ওশিংদা মথৌ পাঙথোকখি। কুমজা ২০১১গী জুন ২৬তা ছটিশঘরগী কেনকর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা কোইলিবেদাদা আর ও পি দ্যুটি পাঙথোক্লিঙৈদা নক্সল ১৫০ রোম্না এম্বুশ তৌরকখি।

থৌদোক অদুদা কন্সটেবল কোইচুং অথাং আইমোল অশোকপনা মরম ওইদুনা লৈখিদে। মহাক্না লৈবাক্কীদমক্তা কৎথোকখিবা অদুবু শকখঙবা ওইনা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা মঙোন্দা পুলিস মেদল ফোর গেলেন্টরি (পোস্থমস) পীখি।

এম কে টি সিমতে টু আই সী, ওফিসিএটিং কম্মান্দেন্ট ৫৪ বট্টালিয়ন বি এস এফকী মীৎয়েং মখাদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা মার্টর ওইখ্রবা কোইচুং অথাং আইমোলনা লৈবাক অসিগীদমক্তা মথৌ পাঙথোক্লিঙৈদা লৈখিদবা অদুবু লৈবাক অসিনা মতম লৈবা খিবিক্তা নীংশিংদুনা লৈহৌরগনি হায়না ৫৪ বট্টালিয়ন বি এস এফকী দেপ্যুটি কম্মান্দেন্ট/এদজুটেন্ট ভি এল কে ভাইফেনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

**OFFICE OF THE RETURNING OFFICER**
**ELECTION TO THE DELEGATES & BOARD OF DIRECTORS**
**OF THE IMPHAL URBAN CO-OPERATIVE BANK LTD.**
**M.G. AVENUE, IMPHAL**

**NOTIFICATION**

Imphal dated, the 3rd November, 2018

No.1/RO/Election/IUCB/2017: In exercise of the power conferred upon me under Rule No. 23 of the rules for Election of Delegates and Board of Directors of the Imphal Urban Co-operative Bank Ltd. , I Shri T. Pradwipkumar Singh, Returning Officer , do hereby notify for election of Board of Directors of the Imphal Urban Co-operative Bank Ltd for the term 2017-2018 to 2021-2022 as per schedule given below:

And, therefore any interested elected Delegates may file their nomination papers in the Prescribed Form –D which is available at the Head Office of the Bank

| Sl.No. Programme | Date |
| --- | --- |
| 1. Issue of Nomination paper | 05-11-2018 to 12-11-2018(during office hours) |
| 2.Submission of nomination papers | 13-11-2018 to 16-11-2018(upto 4.00 p.m) |
| 3.Date of Scrutiny | 17-11-2018 & 19-11-2018(11a.m) |
| 4. Withdrawal of Nomination papers | 21-11-2018( upto 2 p.m.) |
| 5.Publication of final list of contesting Candidates | 23-11-2018 |
| 6.Date of Election | 02-12-2018(10.30 a.m to 3.00 p.m) |
| 7.Venue | Administrative Office<br>Imphal Urban Co-op. Bank Ltd<br>M.G. Avenue,Imphal. |

Sd/- T. Pradwipkumar Singh
Returning Officer
Election to the Delegates and Board of the Directors of the Imphal Urban Co-operative Bank Ltd.

HL-P/5635/4,5&6